# নোংজু মীফম মাঙওইননা লোক সভা স্পীকরনা জুলাই ১৮দা পার্টি পূম্নমক্কী মীফম কৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
লাক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং খন্ননবা লোক সভাগী স্পীকর ওম বির্লানা জুলাই ১৮দা ফ্লোর লীদর পূম্নমক্কী মীফম কৌখ্রে। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মীফম অদু অয়ূক পূং ১১দগী হৌরবা য়াই।



মীফম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ জোশিনা ফ্লোর লীদরশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগনি অমসুং জুলাই ১৯দগী নুমিৎ ১৯ নিগী বিজনেস হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়গী মোতশিং লৌগনি। মীফম অদু পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌগদবা নোংমা মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা সেসন অসি জুলাই ১৯দগী ওগষ্ট ১৩ ফাওবা চথগনি। হাউস অনীমক্কী ওইনা সেসনগী মতম অয়ূক পূং ১১দগী নুমিদাং পূং ৬ ফাওবা ওইগনি।

পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং ৱাংলকপা অমসুং কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা ইনফ্রাষ্ট্রক্চরগী অৱাৎপা কয়া থেংনখিবা য়াওনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ওপোজিসননা গভর্ণমেন্টপু চপখৎনবা শেম-শাদুনা লৈবগা লোয়ননা নোংজু মীফম খরা চরাংনগনি হায়নবা লৈরিবসি য়েংলগা স্পীকরনা কৌরিবা মীফম অসি মরু ওই হায়না লৌনরি।

চৈরক অসিদা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা, অমিত শাহ অমসুং রাজনাথ সিংহ য়াওনা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা হৌখিবা নুমিদাংদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা নোংজু মীফমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অমসুং ওপোজিসন থেংনবগী ষ্ট্রেটেজি পুথোকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী রেসিদেন্সতা পাঙথোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং ধর্মেন্দ্র প্রধান, ভুপেন্দর য়াদব অমসুং মুকতার অব্বাস নাকবি অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অর্জুন রাম মেঘৱান অমসুং ভি মুরালিধরননচিংবা কয়ানা মীফম অদুদা শরুক য়াখি।


কোরোনাভাইরস পেন্দমিক মনুংগী সেসন অসি পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা পাঙথোক্কনি। সেসন অসিগীদমক্তা মথৌ তাবা প্রোটোকোলশিং অমসুং এরেঞ্জমেন্ট খুদিংমক লাঙবা লোইশিল্লক্লে। মীফম অদু এম পিশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোক্কনি।

হৌখিবা চহীদা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক য়ৌরক-খিবদগী পার্লিয়ামেন্টকী মীফমশিংদা অকায়বা পীদুনা লাক্লি। মমাঙ চহীগী বজেট অমসুং মোন্সুন সেসনশিং অমসুং কুমসিগী বজেট সেসন ঙন্না লোইশিনগনি। পব্লিক হেল্থ ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০দা নীংথম মীফম পাঙথোকখিদে।

লোমেকরশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্ট ষ্টাফ মরক্তা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং ৱাংবা অসিনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম খরা শাংথনা অমসুং প্রদক্টিভ ওইনা পাঙথোকপা য়ানহগদৌরিবনি।

# এন্টি-ত্রাফিক্কিং বিল থুনা পাস তৌনবা নোবেল লোরিএট সত্যার্থিনা দিমান্দ তৌরি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা ইমুংশিংগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপনা মরম ওইদুনা ত্রাফিক্কিং অমসুং ফোর্স লেবরগী কেসশিং মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্লে হায়রদুনা এন্টি-ত্রাফিক্কিং বিল মখা তানা থিন্থবা তৌদনা লাক্লিবা নোংজু মীফম অসিদা পাস তৌনবা নোবেল পীছ প্রাইজ ফংলবা কাইলাশ সত্যার্থিনা দিমান্দ তৌখ্রে।



পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা বিল অদুবু পাস তৌবা হায়বসি কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ন লাখ ১২না কাইলাশ সত্যার্থিগা লোয়ননা ষ্টেট ১২ ফাওদুনা অমসুং কিলোমিটর ১২,০০০ থুংনা শাংলবা খোঙচৎ চত্তুনা ত্রাফিক্কিংগী মায়োক্তা অকনবা লো অমা পুথোক্লুবা তকশিনখিবদু থুংহনগদৌরিবনি।

কাইলাশ সত্যার্থিগী দিমান্দ অসিবু শৌগৎপা উৎননবা এক্টিভিষ্ট কয়া, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং মেম্বরশিং অমসুং সরভাইভর লীদর কয়ানা অথুবা মতমদা মখোয়গী ষ্টেটশিংগী পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংগা উনরগনি।

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক অসিনা ইন্দিয়াগী লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিংদা খুদোংথীবা মায়োক্লবা য়াবগী ফিভমসু হেনগৎলকই। ত্রাফিক্কিং অমসুং চাইল্ড লেবর য়াওনা মখোয়বু মখল-মখা কয়াগী মওংদা এক্সপ্লোইট তৌনবা হোৎনরকপা য়াই।

পেন্দমিক অসি হৌখিবদগী বচপন বচাও অন্দোলন হায়বা কে এস সী এফকী সিষ্টর ওর্গনাইজেসন অসিনা লো ইনফোর্মমেন্ট এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নরগা লৈবাক অসিগী মফম শীন থুংনা চথখিবা দ্রাইভতা ট্রেন কয়া, বস কয়া অমসুং ফেক্টরি কয়াদগী অঙাং ৯০০০ হেন্না ত্রাফিক্কর ২৬০গা লোয়ননা রেস্ক্যু তৌখি।

চাইল্ড ত্রাফিক্কিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা অঙাংশিংনা পেন্দমিক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ভিক্টিম ওইরক্লি। এন সী আর বিনা ফোঙবা ক্রাইম ইন ইন্দিয়া ২০১৯ রিপোর্টকী মতুং ইন্না, ত্রাফিক্কিংগী অঙাং ভিক্টিমশিংগী মশিং চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০১৮দা ২,৮৩৭ ওইখিবদগী মথং চহী হায়বদি কুমজা ২০১৯দা ২,৯১৪দা হেনগৎলকখি। হেনগৎপগী চাং চাদা ২.৮নি। চাইল্ড ত্রাফিক্কিং রিপোর্ট খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট তরুক্তি রাজস্থান, দেল্লী, বিহার, উরিষা, কেরলা অমসুং মধ্য প্রদেশনি।

বিল অদু য়াম্না মরু ওই হায়না পল্লদুনা নোবেল পীছ লোরিএট কাইলাশ সত্যার্থিনা হায়, অকনবা এন্টি-ত্রাফিক্কিং লো অমা পুথোকপা হায়বসি ঐখোয়গী ইলেক্টেদ লীদরশিংগী মোরেল অমসুং কন্সটিট্যুনল রেস্পোন্সিবিলিটিনি। লোয়ননা লৈবাক শেমগৎপা অমসুং শেল-থুম চাওখৎহনবগী মথৌ তাবা খোঙথাং অমনি।

অঙাংশিংবু শা-ষণদগী হেন্না হোংনা লৈবা-য়োনবা তৌরিবমখৈ লৈবাক অমত্তনা মশাবু সিভিলাইজ ওই হায়বা য়ারোই। কোভিদ-১৯না মরু ওইনা নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংগী ত্রাফিক্কিং হেনগৎলক্লি। মসি ঐখোয়না লাইথোক্লা লৌবা য়ারোই।

# দাওরিগী মায়োক্তা কেরলাগী গভর্নর হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌখ্রে

ট্রিরুভানন্তপুরম, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
কেরলাগী গভর্ণর অরিফ মোহম্মদ খানানা ফৎত্রবা দাওরিগী চৎনবীগী মায়োক্তা ট্রিরুভানন্তপুরমদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল রোসিদেন্সতা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পূং ৮ দগী হঙ্গর ষ্ট্রাইক হৌখ্রে।

চরা হেনবগী খোঙজং অদু তোঙান তোঙানবা গান্ধিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন-লাংদুনা গান্ধি ভৱনদা হৌখি। মদুগী পান্দমদি দাওরি পীবা অমসুং লৌবগী মায়োক্তা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা অসিনি।

গভর্ণর খানগী চরা হেনবগী খোঙজং অদু নুংথিল পূং ৪ তাবদা লোইশিনগনি। মদুগী মতুংদা মহাক গান্ধি ভৱন্দা প্রোটেষ্টরশিংগা পুল্লগা নুমিদাং পূং ৬ তাবা ফাওবা ফমিন্নগনি। দাওরিগী ৱাফম্না মরম ওইদুনা কেরলাদা নুপী কয়া সুইসাইদ তৌখিবগী থৌদোকশিংনা খানবু থম্মোয় শোক্লা ৱাহনখি। ফৎত্রবা চৎনবী অসিগী মায়োক্তা ভোলন্টিয়র অমা ওইনা থবক তৌগনি হায়না মহাক্লা হৌখিবা থাদা ৱাশকখিবনি।

মপুরোইবনা অতাঙবা কার অমা দিমান্দ তৌখিবা মতুং হৌখিবা থাদা সুইসাইদ তৌখিবা ফাইনেল ইয়র তল্লিবী নহা ওইরিবী অয়ুর্ভেদো মেদিকেল মহৈরোয় অমগী য়ুমদা চত্তুনা গভর্ণরনা ইমুংগী মীওইশিংগা ৱারী শানখি অমসুং অৱাবা ফোঙদোকখি।

# এল ঈ টিগী টোপ কমান্দর অমা য়াওনা মিলিটেন্ট অহুম শিরে



শ্রীনগর, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলাৱামা দিষ্ট্রিক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা পাকিস্তানি নেসনল অমা য়াওনা লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি)গী মিলিটেন্ট অহুম শিখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোরকপদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অরোনবা পাউ অমদা য়ূম্ফম ওইরগা সাওথ কাশ্মির দিষ্ট্রিক্টকী পুলৱামা টাওনদা কোর্দন তৌবগা লোয়ননা সার্চ ওপরেসন চথখি।

মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খূৎ হনবদগী সার্চ ওপরেসন অদু খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা ওইরকখি। নোংমৈগী লান অদুদা মিলিটেন্ট অহুম শিখি।

নোংমৈ কাপ্লবদুদা শিরিবা টেররিষ্ট অহুমদুগী মনুংদা অমদি এল ঈ টিগী কমান্দর আইজাজ এলিয়স অবু হুরাইয়া কৌই অমসুং মহাক পাকিস্তান নেসনল অমনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে।

এরিয়া অদুদা থী-হুম্বা মখা তানা চথখি। চৈরকসিদা, জে এন্দ কেগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্তা মিলিটেন্টশিংনা চিনার পাম্বী অমগী মখাদা প্লান্ট তৌরম্বা আই ঈ দি অমা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থেংনদুনা পোকখায়হনখিবগা লোয়ননা অচৌবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অমা থিংহৌরে হায়রি।

পুলিস স্পোক্সমেন অমনা হায়, আই ঈ দি অদু কাজিগুন্দ এরিয়াদা লৈবা দামজিন ভিলেজগী চীদাইদা চিনার পাম্বী অমগী মখাদা থেংনখি। পুলিস, আর্মি অমসুং সী আর পি এফ পর্সনলশিংনা এরিয়া অদু খূদক্তা কোইশিনখি অমসুং বোম দিস্পোজেল স্কৱাদ অমা কৌখি। আই ঈ দি অদু মফম অদুদা পোকখায়হনখি।

# এগজেক্যুটিভ মীফম পাঙথোক্লগনি

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলগী পোলিটিকেল রোদ মেপ অমা পুথোক্লবা লাক্লিবা ইৱাই নুমিৎতা উত্তর প্রদেশ বি জে পিগী ষ্টেট এগজেক্যুটিভ মীটিং পাঙথোক্লগনি।

মীফম অদু হৌবদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দানা ভার্চ্যুএল ওইনা ৱা ঙাঙগনি। ষ্টেট বি জে পি চীফ স্বাতন্ত্র দেভ সিংহনা হায়, এজেন্দা ফাইনেলাইজ তৌনবা পার্টিগী নেসনল লীদরশিং, চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথ, ষ্টেট ওর্গনাই-জেসনেল লীদরশিং, ফ্রন্টেল ৱিংশিংগী প্রসিদেন্টনা শরুক য়াবা মীফম অমা জুলাই ১৫দা পাঙথোক্লগনি।

মীফম অসি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ত মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ফেজ অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখল অদু ঈৱাং কয়া থোকখিবনি। পঞ্চায়ত মীখলগী রিজল্টশিংনা য়ু পিগী রুরেল এরিয়াশিংদা বি জে পিগী ফিভম ফরি হায়বসি উৎখি।

# মাওইষ্ট লীদরগী মচা সরেন্দর তৌখ্রে

হায়দরবাদ, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
টেলেঙ্গনাগী দন্দাকর্নিয়া ফোরেষ্টতা ওপরেট তৌরিবা অথিংবা থমখ্রবা মাওইষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী মকোক থোংবা লীদর অমগী মচানুপা ওইরিবা এক্সট্রিমিষ্ট অমা মাওইষ্ট আইদিওলোজি থাদোক্তুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেলেঙ্গনা পুলিসকী চীফতা সরেন্দর তৌখ্রে।

রাভুলা রঞ্জিথ এলিয়স স্রিকান্থ কৌবা এক্সট্রিমিষ্ট অদু মাওইষ্ট আইদিওলোজি মরক্তা চাউরকখিবনি। অদুম ওইনমক রঞ্জিথনা হায়খি-গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলবা অমসুং দিজিটেল রিভোল্যুসনগী মতম অসিদা খূৎলায় পায়বা আওটেফিট অসিনা মখা তানা রিভোল্যুসনরি মুভমেন্ট চথবা য়াবগী মরম লৈত্রে হায়না খল্লকপদগী মহাক্লা মাওইষ্ট আইদিওলোজি থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। মহাক্কী রিহেব্লিটেসনগীদমক্তা দি জি পিনা লুপা লাক্ষ ৪গী দিমান্দ দ্রাফ্‌ট শিন্নখ্রে হায়রি।

# ঈশিং তুংহল্লম্বশিং ফাইন তৌরগনি

চেন্নাই, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
চেন্নাইদা লৈরিবা এপার্টমেন্টশিং, য়ুমশিং, অপীকপা দুকানশিং অমসুং ইষ্টাব্লিশমেন্ট, মোলশিং অমসুং অতৈ বিল্ডিংশিংগী অকোয়বা মফমশিংদা কাঙ মচা পোকপদা খুদোংচাহনগদবা মওংদা ঈশিং তুংহল্লম্বা থেংনরবদি মখোয়গী মপুশিং গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসননা ফাইল তৌরগনি হায়রি।

হৌখিবা মতম খরা অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং তুংদুনা কাঙ মচা পোক্লবগী খুদোংচাবা মফমশিং ওইরকখি। ফিভম অসিদা কোর্পোরেসন অসিনা অনকপদা লৈরিবা রেসিদেন্সিএল কমপ্লেক্সশিং, ইন্দিভিজুএল হোমশিং অমদি মোলশিং, দুকানশিং অমসুং প্রেমিসেজশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

# স্পুটনিক ভেক্সিন সিঙ্গল দোজনা এন্টিবোদি রেস্পোন্স ৱাংনা থোকহল্লি: ষ্টদি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
হান্না কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈখ্রবা মীওইশিংদা স্পুটনিক ভি ভেক্সিন দোজ অমখক থাবনা সার্স-কোভি-২গী মায়োক্তা অকনবা এন্টিবোদি রেস্পোন্স থোকহনবা ঙম্মী হায়বসি ষ্টদি অমনা উৎখ্রে।

মমাঙগী ষ্টদিশিংদা এদিনোভাইরস অনীগী কোম্বিনেসন অমা শীজিন্নরগা পুথোকপা ভেক্টর ভেক্সিন অমা ওইরিবা স্পুটনিক ভিগী দোজ থাবদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী মায়োক্তা চাদা ৯২গী ইফিকেসি উবা ফংখিবনি। এদিনোভাইরসশিং অসি লাইহৌ অমসুং খৌনাও নাবগুন্বা লোক্কী লাইওংশিং চেনবা লায়না কয়া থোকহনবা কম্মন ভাইরসশিংনি। থা অসিগী ১৩ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা 'সেল রিপোর্টস মেদিসিন' হায়বা জ র্নেলদা ফোঙখিবা অনৌবা ষ্টদি অদুনা মীওই মশিং য়াম্না খরা থুনা ভেক্সিন দোজ অমা কাপথোকপা অসিনা মীয়াম্না দোজ অনীদগী হেন্না হকশেলদা কান্নহনগদ্রা হায়বসি খঙনবা হোৎনখি।

ষ্টদি অদুগী সিনিয়র ওথর ওইরিবা, ন্যুন্নস এইরিস, অর্জেন্টিনাদা লৈবা ফাওন্দেসন ইন্সটিট্যুটতা লেরোই-কোনিসেটকী অন্দ্রি গমার্নিকনা হায়, মালেমগী মফম কয়াদা ভেক্সিন সপ্লায় ৱাৎপা অমসুং চাং মান্নদনা য়েন্থোকপগী ফিভম অমা লৈরিবসি য়েংদুনা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ভেক্সিনেসন ষ্ট্রেটেজি শিং থুনা মহৈ য়ালহন্নবা ভেক্সিননা থোকহনবা ইম্মুন রেস্পোন্সগী দেটা য়েংশিনবা মথৌ তাই।

ঐখোয়না পুথোক্লিবা পীয়র-রিভিয়ু দেটা অসিনা হৌজিক্কী মালেমগী হেল্থ ইমর্জেন্সি অসিদা পব্লিক হেল্থকা মরী লৈনবা ৱারেপশিং লৌবদা গাইদ তৌনবগী মচাকশিং পীরি হায়না গমার্নিকনা ফোঙদোকখি। অতৈ ভেক্সিনশিংগী ইভিদেন্সনসু দোজ অমখক শীজিন্নবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়নসু রিসর্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না হায়, খুদম ওইনা অষ্টাজেনেকা ভেক্সিন অসি দোজ অমখক থাবদা চাদা ৭৬ ইফিকেসি লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্লে। মোদর্ন অমসুং ফাইজরগী ভেক্সিনশিং হান্না ইনফেক্সন লৈখ্রবা মীওইশিংদা দোজ অমা কাপ্পদা ইম্যুনিটি মতিক চানা থোকহল্লি। খ্বাইদগী নৌবা ষ্টদি অদুদা অর্জেন্টিনাগী হেল্থক্যের ৱর্কর ২৮৯দা স্পুটনিক ভিনা দোজ অমা অমসুং দোজ অনীনা থোকহল্লিবা সার্স-কোভি-২গী অকল্লবা এন্টিবোদি রেস্পোন্সশিং চাংদম্নখি।

অনীশুবা দোজ থারবা মতুং চয়োল অহুম লৈরগা হান্না ইনফেক্সন লৈখিদবা ভোলন্টিয়র পূম্নমক্তা ঈদা খ্বাইদগী কম্মন ওইনা য়াওবা এন্টিবোদি মখল ওইরিবা ভাইরস-স্পেসিফিক ইম্যুনো গ্লোবুলিন জি (আই জি জি) এন্টিবোদিশিং থোকহনবা থেংনখি।

অদুম ওইনমক অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুং চয়োল অহুমগী মনুংদা পার্টিসিপেন্ট চাদা ৯৪ ভাইসর অসিগী মায়োক্তা আই জি জি এন্টিবোদিশিং দিভলপ তৌখি অমসুং চাদা ৯০না ভাইরসকী এক্টিভিটিশিং লেপহন্দুনা অনৌবা সেলশিংদা শোকহনবা ঙমহন্দে হায়বসি খঙখি। রিসর্চ অদুদা হান্না ইনফেক্সন লৈখিদ্রবা পার্টিসিপেন্টশিংদা ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্পা অসিনা ইনফেক্সনগী হিষ্ট্রি লৈতবা ভোলুন্টিয়রশিংদা দোজ ২ ভেক্সিন কাপ্পদগী হেন্না আই জি জি অমসুং ভাইরসকী থবক লেপহনবা ঙম্বা এন্টিবোদিগী চাং ৱাংনা পুথোকপা ঙম্মী হায়বসি মখা তানা খঙবা ঙমখি।

# স্পুটনিক ভেক্সিন সেপ্টেম্বর থাদা শাবা হৌরগনি: আর দি আই এফ

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই)না লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদগী কম্পনি অসিগী ফেসিলিটিশিংদা স্পুটনিক ভেক্সিন শাবা হৌরগনি হায়না রসিয়ন দাইরেক্টর ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দ (আর দি আই এফ)না ফোঙদোরক্লি।

আর দি আই এফনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, স্পুটনিক ভেক্সিনগী অহানবা বেট্‌চ অদু সেপ্টেম্বর থাদা এস আই আইগী ফেসিলিটিশিংদা শারগনি।

পার্টিশিংনা ইন্দিয়াদা চহী অমদা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৩০০ হেন্না শাগনি। আর দি আই এফনা মখা তানা হায়, টেক্নিকেল ট্রান্সফর প্রোসেসকী শরুক অমা ওইনা এস আই আইনা গামালেয়া সেন্টরদগী সেল অমসুং ভেক্টর সেম্পলশিং ফংখ্রে। ইম্পোর্ট অদু দ্রগ কন্ট্রোল জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা কল্টিভেসনগী প্রোসেস হৌরে।

# প্রাইভেটাইজেসন থিংনবা সেন্টরদা প্রেসর পীরগনি: সত্যনরায়ন




ভিসাখাপটনম, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
ভিসাখাপটনম ষ্টীল প্লান্ট (ভি এস পি) প্রাইভেটাইজেসন তৌবা থিংনবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মনুংদা রুলিং য়ুভাজানা শ্রমিকা রাইতু কোংগ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সী পি) গী পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা প্রেসর পীরগনি হায়না অন্ধ্র প্রদেশকী এম পি এম ভি ভি সত্যনরায়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ভিসাখাপটনমগী এম পি অসিনা ভি এস পিবু প্রাইভেটাইজ তৌবগী মায়োক্তা প্লান্ট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মফমদা চত্তুনা য়েংশিনখি।

মহাক্লা হেক হৌবদগী ৱাই এস আর সী পিদা মখোয়গী দিমান্দ অদু শৌগৎলি হায়রদুনা ষ্টীল প্লান্ট অদুবু য়োন্থোকপগী থবক লেপ্পবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন রেদ্দিনা সেন্টরদা অনীরক ইদুনা তকশিনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম পি অসিনা মখা তানা হায়, প্রাইভেটাইজেসনগী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা এ পি এসেমব্লিনা রিজেল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে। সেন্টরনা ষ্টীল প্লান্ট অদুবু য়োন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা প্লান্ট অদুগী ৱর্করশিং ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা নুমিৎ ১৫০ নি হেল্লবনি।


## য়্যোংঙৈ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/16/6-14/7


# প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোজেক্ট খরা ভর্চ্যুএল ওইনা শঙ্গারগনি

গান্ধিনগর, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
গুজরাতকী অহমেদবাদ অমসুং গান্ধিনগরদা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুলাই ১৬তা ভর্চ্যুএল ওইনা শঙ্গারনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাগদৌরিবা অনৌবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অমসুং থবকশিং অদুদা রেলৱে প্রোজেক্ট খরা, গুজরাত সাইন্স সিটিগী অনৌবা এট্রেক্সনশিং অমসুং গান্ধিনগরদা নৌনা দিভলপ তৌবা রেলৱে ষ্টেসন অমসুং মদুদা লৈবা হোটেল অমা য়াওরি।

নৌনা দিভলপ তৌবা গান্ধিনগর রেলৱে ষ্টেসন অমসুং রেলৱে ষ্টেসন অদুগী মথক্তা শাবা কা ৩১৮গী ফাইভ ষ্টার হোটেল অমা প্রাইম মিনিষ্টরনা ভর্চ্যুএল ওইনা শঙ্গাগনি। মহাক্না চয়োল খূদিংগী সর্ভিস লৈগদবা সুপরফাষ্ট গান্ধিনগর-ভরানসি ট্রেন অমসুং বারেতা এম ঈ এম য়ু ট্রেনসু ফ্লেগ ওফ তৌগনি। মসিদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা রেল ইলেক্ট্রিফিকেসন অমসুং ব্রোদ গেজ কনভর্সন প্রোজেক্ট খরসু দেদিকেট তৌগনি।

গুজরাত সাইন্স সিটিদা শঙ্গাগদৌরিবসি অনৌবা এট্রেক্সন অহুম্নি। এক্কাটিক গেল্লরি লুপা ক্রোর ২৬৪ চঙনা শাখি। গেল্লরি অসিগী মরু ওইবা ফিচর অমদি ঈশিং মনুংদা চৎনবগী টন্নেল য়াওবা অসিনি। অতৈ এট্রেক্সনশিংদি লুপা ক্রোর ১২৭ চঙনা শাবা গ্লোবেল রোবোটিক গেল্লরি অমসুং লুপা ক্রোর ৪ চঙনা শাবা নেচর পার্ক অমনি। শঙ্গাবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহসু শরুক য়াগনি।


## য়্যাঙ্খ্রৈংঙৈন / শোরাংকী পাউজেল



ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা **লোইতোংবম ধানেস্বর সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১২/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৭/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ৮নি পানবা থাংজ নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৫/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ১৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শোরাৎ শোঞ্জরগনি। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খূয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং কৎচগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা থৌরমশিং অসি ইমুং-মনুংনা অয়ূক্তা লাইগী ওইবা থৌরমতমক পাঙথোকচরগা লোইশিঞ্জরগনি। মরম অদুনা ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমক্তা ৱারৌবীদনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

**পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ-**
**লোইতোংবম ওংবী বিজয়নতি দেবী (সহধর্মীনি)**

১। লোইতোংবম ওংবী রাধেস্না দেবী (মমৌনুপী)
২। লোইতোংবম ওংবী সঙ্গিতা দেবী (মমৌনুপী)
৩। খোইরোম ওংবী মানিমালা দেবী (মচানুপী)
৪। কৈশাম ওংবী সুনিতা দেবী (মচানুপী)
৫। হেস্নাম ওংবী ইবেয়াইমা দেবী (মচানুপী)

১। লোইতোংবম বিদরজিৎ সিংহ (বোবা) (মচানুপা)
২। লোইতোংবম জাপান সিংহ (মচানুপা)

থৌরম পরেং:-
অয়ুক পূং ৮:০০ - ভেক কৎপা।
অয়ুক পূং ১১:০০ - শ্রাদ্ধ লোইবা।

**থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাই, ইম্ফাল।।**
HL-P/6892/15


# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 61,70,000+14,846 | 59,40,000+26,255 | 1,26,000+342 |
| Kerala | 30,90,000+22,337 | 29,60,000+21,778 | 14,810+224 |
| Karnataka | 28,70,000+3,299 | 28,00,000+5,693 | 35,944+109 |
| Tamil Nadu | 25,20,000+5,157 | 24,60,000+6,162 | 33,502+84 |
| Andhra Pradesh | 19,30,000+4,145 | 18,90,000+6,075 | 13,042+40 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+152 | 16,80,000+261 | 22,704+6 |
| West Bengal | 15,10,000+1,748 | 14,80,000+2,430 | 17,944+28 |
| Delhi | 14,40,000+121 | 14,10,000+176 | 25,020+5 |
| Chhattisgarh | 9,99,000+592 | 9,81,000+1,222 | 13,482+4 |
| Rajasthan | 9,53,000+61 | 9,44,000+150 | 8,945 |
| Odisha | 9,44,000+3,923 | 9,18,000+5,578 | 4,730+131 |
| Gujarat | 8,24,000+63 | 8,14,000+274 | 10,074+1 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+1,481 | 7,81,000 | 10,506+1,481 |
| Haryana | 7,69,000+64 | 7,59,000+118 | 9,563+13 |
| Bihar | 7,23,000+174 | 7,13,000+235 | 9,619+1 |
| Telangana | 6,33,000+1,463 | 6,19,000+1,706 | 3,738+9 |
| Punjab | 5,98,000+223 | 5,80,000+366 | 16,199+13 |
| Assam | 5,38,000+4,744 | 5,12,000+4,372 | 4,888+60 |
| Jharkhand | 3,46,000+83 | 3,41,000+146 | 5,120+1 |
| Uttarakhand | 3,41,000+95 | 3,33,000+358 | 7,351+12 |
| Himachal Pradesh | 2,04,000+243 | 1,99,000+282 | 3,496+5 |
| Goa | 1,69,000+272 | 1,64,000+384 | 3,101+4 |
| Puducherry | 1,19,000+205 | 1,16,000+324 | 1,771+2 |
| **Manipur** | **79,417+1,686** | **70,402+1,178** | **1,309+37** |
| Tripura | 71,873+1,124 | 66,771+837 | 718+3 |
| Chandigarh | 61,844+13 | 60,958+32 | 809 |
| Meghalaya | 55,218+638 | 50,336+1,029 | 918+10 |
| Arunachal Pradesh | 40,814+997 | 36,617+707 | 193+4 |
| Nagaland | 26,140+164 | 24,664+166 | 514+7 |
| Mizoram | 25,170+987 | 19,994+376 | 113+3 |
| Sikkim | 22,623+316 | 20,025+300 | 317+2 |
| Ladakh | 20,227+32 | 19,908+29 | 206 |
| Lakshadweep | 10,031+18 | 9,873+70 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,496+4 | 7,358+6 | 129 |